গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স

•••

প্রেস রিলিজ

## ইজ্‌কেসন মিনিষ্টরনা কাংপোকপীদা লৈবা বিষ্ণুলাল হাই স্কুল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ ইজ্‌কেসন মিনিষ্টর শ্রী তিঐচ. রাধেশ্যাম সিংহনা ঙসি কাংপোকপী ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বিষ্ণুলাল হাই স্কুল শঙ্গাখ্রে। হান্না লৈরম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মথক্তা কমপ্যুটর কা অমদি লাইব্রেরি কা অমমম য়াওনা কা নিপাল হাপচিল্লবা স্কুল অদু রাষ্ট্রিয়া মাধ্যমিক শিক্ষা অভিয়ান (আর এম এস এ), ২০১৫-১৬ কী মখাদা শাবনি।

চিফ গেষ্টকী ৱারেল পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গোভর্নমেন্টকী স্কুলশিং অসি মপূং ফানা চলাইবা ঙমবা হোৎনবদা মহৈরোয় অমদি ওঝাশিংগী মথক্তা মমা-মপা, অহল-লমনশিং অমদি কৈরোল-লৈকাইগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ নৎত্রগা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংদা স্কুলগী পোৎলমশিং অমদি স্কুলশিংদা অকাই-অতোই থোকপা য়াওরকপশিং অদুগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা নংনাংবা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্টরনা মখা তারদুনা হায়, ঈশ্বরবু খুরুম্বা চৎলিবা লাইশঙগুম স্কুল অসিসু লাইশঙগুম্বনি। স্কুল অসি তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক্কী মঙাল ফংবা, মীরোল তাবা অমদি অফবা মী অমা ওইনবা মফমনি। গোভর্নমেন্ট স্কুলশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎলবসু ফংলিবা খর অসি শিজিন্নদুনা মীকোক থোংলকপা ঙম্বা হায়বসি অফবা লুচিংবা অমগী মগূন্নি হায়না মহাকা ফোঙদোকখি।

ইজ্‌কেসন (এস) কী ডাইরেক্টর শ্রী তিঐচ. কিরনকুমারনা হায়, দরকার লৈবা ক্লাসরুমশিং অসি শেমগৎলবনিনা মহৈরোয়শিংনা মহে তম্বগী হক ফংহনবা হায়বসি ওঝাশিংগী মথৌ ওইরে।

ডিপুটি সেক্রেটরি ইজ্‌কেসন (এস) অমদি আর এম এস এ, মণিপুরগী এডিস্নেল ষ্টেট প্রোজেক্ট ডাইরেক্টরগী ফম পুরিবা শ্রী এল. নন্দকুমার সিংহনা হায়, মথৌ তাবা ক্লাসরুম শেম্বা লোইরবনিনা স্কুল অসিনা কোল্লিবা মফমশিংদা লৈরিবা লাইরিক তম্বা তৌক্তুনা লৈরবা অঙাংশিং ওঝাশিংনা থিদোকপা মথৌ তাই। মখোয়শিংবু অমুক স্কুলদা পুরক্তুনা মহে তমহনবা অমদি তং তাবা পুন্সি অমদা হজ্ঞিলহন্নদুনা মপূং ফাবা তুংগী পুন্সি অমা শেমবা হোৎনগদবনি হায়না মহাকা মখা তাখি।

থৌরম অদুদা জেড ই ও হঙাচোঙ কিপগেন, হেডমাষ্টর খাগ্রা প্রসাদ প্রসাই, ওঝাশিং মহৈরোয়শিংনা অমদি মমা-মপাশিংনা শরুক য়াখি।

.......................................................................................

BEN/APO(P) No. 690 28/06/2017